**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 26-08.2024)**

**সুসিন্দ্রো (এল)ঃ** কঞ্জুমর এফিয়ার্স, ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন মন্ত্রি-লৈশাংথেম সুসিন্দ্রোনা হায়রি-মনিপুরদা পেট্রোল অমসুং দিজলগী অৱাৎপা লৈতে।

মহাকা হায়-হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী খুদোংচাবা লৌরগা পেট্রোল পম্প খরদা মীওই খরনা থাউ হল্লগা শেল পীরমদনা চৎখিবা থৌদোক তোহনা থোক্লকপদগী পেট্রোল পম্পশিং অদু চাং নাইনা হাংনদবনি। মসি থোক্তনবা পেট্রোল পম্পশিং হয়েংদগী হৌনা পুলিস অমদি সিভিল সপ্লাই বিভাগকী ওফিসিএলশিংনা য়েংশিনবগা লোয়ননা ঙাক শেল্লগনি। নোংম-নোংমগী ওইনা থাউ য়েনগদবা পম্পশিংগী লিষ্ট থোক্কনি। মসিদা থাউ পীরমদবা পম্পশিংগী মথক্তা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎকনি হায়নসু মহাকা মখা তাখি।

**জন্মষ্টমি (এল)ঃ** লৈবাক্কী মফম কয়াদা ঙসি ভগবান শ্রীকৃষ্ণগী মপোক নুমিৎ জন্মষ্টমি পাঙথোক্লি।

ধর্ম্মগী চৎনবী মতুং ইন্না শ্রী কৃষ্ণগী পোকফম মথুরাদা ঙসি অহিং নোংয়াইদা শ্রী কৃষ্ণ পোকপগী পালন থৌরম পাঙথোক্কনি। ঙরাংদগী হৌনা মফম অদুদা ভক্তা লাখ কয়া তিনবা হৌখ্রে।

মণিপুরদসু ধর্ম্মগী চৎনবীগা লোয়ননা জন্মষ্টামি পাঙথোক্লি। জন্মষ্টামিগী মপুং ওইবা থৌরম ইম্ফালগী শ্রীশ্রী গোবিন্দজি মন্দির অমদি ইস্কোন মন্দিরদা পাঙথোক্লি। অয়ুক অঙনবদগী হৌনা ভক্তশিংনা শ্রীশ্রী গোবিন্দজি মন্দির য়াওনা মন্দির কয়াদা লাই খুরুম্বা লাকরি। নুমিদাংৱাইরমগী মতমদা সন্ধ্যা অরাতি কৎখি অমদি থৌরম অসিগী মতাংদা শ্রীশ্রী গোবিন্দজি ব্রহ্মসভাগী ব্যবষ্টাকারি-গুরুময়ুম দামরুপতি শর্ম্মনা হায়-নিংথৌখোংগী গোপিনাথ মন্দির অমসুং মনিপুর

তম্পাক্কী লৈকাই লৈকাইদা লৈবা মন্দিরশিংদসু জন্মষ্টমিগী থৌরম পাঙথোকরি।

**এরেষ্ট (এল)ঃ** মনিপুর পুলিস, অসাম রাইফলস অমসুং সি.আর.পি.এফকী অপুনবা কাংবু অমনা ঙসি অয়ুক অঙনবদা সেকমাহ্ পুলিস ষ্টেসনগী মখাদা লৈবা থৌবাল পোৎশংবম খুল্লেন মনিং লৈকাইদা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা কে.ৱাই.কে.এলগী মীওই তরুক ফারে। মখোয়দগী পোৎলম কয়াসু ফাগৎলে।

**এআর (এল)ঃ** নোনে জিলাগী হাউচোং খুলদা অসাম রাইফলসনা শিনদুনা নুপীদা অহেনবা শক্তি পীবা হায়বসিগী মতাংদা লেকচর প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

খুলগী লুচিংবশিং অমদি নুপী কয়ানা শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা নুপা নুপী অনিগী সমাজিক অমসুং রাজনিতিগী হীরমদা খেৎনবা লৈহন্দনবগী মতাংদা খন্নখি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা ইমা কৈথেলগী ইমাশিং, থৌবাল অমসুং ৱাইখোংগী মৈরা পায়বীশিং অমদি অতৈ মফমশিংগী সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন অমদি খুঞ্জাশিংগা ৱারী ৱাতাই শান্নদুনা সেক্যুরিতি মীতিংশিং পাঙথোকখ্রে।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিনদুনা আমর্দ ফোর্সতা মতৌ করমা চংগনি হায়বগী মতাংদা লেকচর প্রোগ্রাম অমা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ফৌবাকচাউ হায়স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মহৈরোই ১০০ রোমা শরুক য়াখি।

চান্দেল জিলাগী থাংবুং মিনৌ ভিলেজতা ঙরাং অসাম রাইফলসনা শিনদুনা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে অমসুং খুঞ্জা ১২৫ হেনবদা হিদাক

লাংথকসু য়েন্থোকখি। ঙসিসু অসাম রাইফলসনা চুরাচান্দপুর জিলাগী থিংতেয়ু খুলগী চহি মরিদা ঙায়রিবী অঙাং অমদা ইমর্জেন্সি মেদিকেল এদ পীদুনা তেংবাংখ্রে।

**লাইওন্স (এল)ঃ** লাইওন্স ক্লব, ইম্ফাল সিটি, লাইওন্স ক্লব ইন্টরনেসনেল দিষ্ট্রিক্ট থ্রি টৌইন্তি টু (দি) না শিনদুনা ইম্পৱারিং মাইন্দ এন্দ ইনরোচিং লাইফ হায়বসিদা মীয়ামবু ভাব তাহন্নবগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফালগী কৈশামথোংদা পাঙথোকখ্রে।

**ঈচাও (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা নোং লেপ্তুনা চুবদগী মফম খরদা ঈচাওগী অৱাবা মায়োকরে।

থৌবাল জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংগী ঈচাওনা শোকহল্লবা মীওইশিংগীদমক দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা রিলিফ কেম্প ১১ হাংদোক্লে। রিলিফ কেম্পশিং অদুদা হৌজিক পুন্না মীওই লিশিং অমগী মথক্তা চংজফম লৌদুনা লৈরি।

জিলা অসিগী দিপ্যুতি কন্মিস্নার-অহন্থেম সুভাসনা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবদা হায়-নুমিৎ খরনিগী মমাংদগী নোং লেপ্তুনা চুরকপদগী থৌবাল জিলাগী মফম অয়াম্বা ঈশিং থুমজিনদুনা ঈচাওগী অৱাবা মায়োকরে। ঈচাউ অসিনা কা হেন্না শোকহল্লবা মফমশিং-তেকচম, তেন্থা, সমরাম, শঙ্গাইয়ুম্ফম, খাঙবোক, লৈশাংথেম, খেলাখোঙ, উচিৱা, হৈয়েল অমসুং লিলোং চিংখমনচিংবদা য়ুম কয়া ঈশিং থুমজিনখিবদগী মফমশিং অদুগী মীওইশিংগীদমক রিলিফ কেম্পশিং অদু হাংদোকপনি।

মহাকা হায়-রিলিফ কেম্পশিং অসিদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা চান-থকবা পোৎলমশিং পাবতা নত্তনা ঙরাংদগী হৌদুনা মেদিকেল কেম্পশিং পাঙথোক্তুনা লাক্লি। জিলা অদুগী লৌফম অয়াম্বা ঈশিং থুমজিনখিবদগী লৌ লোকপা

য়াররোইদ্রা হায়বগী মীপায়বা পোকরে।

**লদাগঃ** কেন্দ্র সরকারনা লদাগ য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী জিলা মঙা শেমবা ৱারেপ লৌরে। জিলাশিং অদুদি-জান্সকার, দ্রাস, শাম, নুব্রা অমসুং চাংথাংনি।

সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা হায়-প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী লদাগপু চাউখৎপা লমদম অমা ওইহন্নবগী মীৎয়েং অদুগী মখাদা গৃহ মন্ত্রালয়না অনৌবা জিলা মঙা অদু শেমবা ৱারেপ লৌখিবনি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনসু অনৌবা জিলা মঙা শেমবা ৱারেপ লৌখিবা অদুদা থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

মহাকা হায়-ঙসি লমদম অদুদা চাউখৎপা অমদি হেন্না ফবা লৈঙাক সাসন লৈহন্নবগী মায়কৈদা থাংজিনবা খোঙথাং অমনি।

**জেকেঃ** লাকিবা জম্মু কাশ্মির বিধান সভা মীখলদা বি.জে.পিগী মীরেপ ওইগদবা মীওই ১৬ কী মিং ঙসি দল অসিনা লাউথোকখ্রে।

মসিগী মমাংদা, বি.জে.পিনা মীখল অসিদা মীরেপ ওইগদবা দলগী মীওই ৪৪ গী মিংসু লাউথোকখি অদুবু মদু অমুক হন্না চৎনহনখিদ্রে। জম্মু কাশ্মির বিধান সভাগী মীখল মথং থাগী ১৮ দগী হৌরগা তাঙ্কক অহুম থোকা পাঙথোক্কনি। সিট ৯০ লৈবা জম্মু কাশ্মির বিধান সভাগী মীখলগী ভোট মশিং ওক্তোবর মরিদা থিগনি।

**জিতেন্দ্রঃ** কেন্দ্রগী সাইন্স অমসুং টেকোলোজি মন্ত্রি-ডা: জিতেন্দ্র সিংহনা হায়রি-প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হৌদোকখিবা অনৌবা বাইও-ই-থ্রিনা ভারতপু লাক্লিবা চহি খরা অসিদা মালেমগী লুচিংবা ওইহনবা ঙমগনি।

ন্যু দিল্লিদা অনৌবা বাইও ইকোনোমিক পোলিসিগী মতাংদা ৱা ঙাংবদা ডা: জিতেন্দ্রনা হায়-লৈবাক অসিগী বাইও ইকোনোমিগী চাং অসি ২০১৪ দা

আমেরিকাগী দোল্লর বিল্লিয়ন তরা ওইরম্বদু ২০২৪ দা আমেরিকাগী দোল্লর বিল্লিয়ন ১৩০ য়ৌদুনা শিংথানিংঙাই ওইনা হেনগৎলে।

মন্ত্রিনা হায়-অনৌবা বাইও-ই-থ্রি পোলিসি অসি নোংজ্ নুংশাগী ফিভমদা হোংলকপা অমদি নোন-রিন্যুএবল পোৎথোকশিং শিজিন্নবা হন্থহনবগুম্বা মালেমগী ওইবা শিংনবশিং থেংনবা ঙমবা হৌদোকপনি। মহাকা হায়-থৌশিল অসিনা বাইও বেজ পোৎথোকশিং হেন্না পুথোকহনবগা লোয়ননা অহেনবা থবক পীবা ঙমগনি হায়না থাজরি।

**ফ্লুঃ** উরিষ্যাগী পুরি জিলাগী পিপিলিদা বার্ড ফ্লু শন্দোরকপদগী য়েন লিশিং কয়ামরুম হাৎতোক্লগা ফুমজিনখ্রে।

পাউ খরনা হায়-রাজ্য সরকারনা য়েন লিশিং ২০ লোম হাৎতোক্লবা মতুংদা বার্ড ফ্লুগী চৎন-কাংলোন মতুং ইন্না নৈনুংদা ফুমজিনখ্রে অমসুং ফার্মশিং অদু সেনিটাইজ তৌথোকখ্রে।

নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ হাইব সেক্যুরিতি এনিম্যেল দিজিজেস-ভোপালনা পিপিলিদগী খোমগৎলকপা সেম্পলশিং অদু এভিয়ান ইনফ্লোয়েঞ্জা ঐচ-ফাইব এন-ৱান পোজিটিব ওইরে হায়না লাউথোকখিবনি। রাজ্য সরকারনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন খুদিংমক্তা লায়না অসিদগী ঙাকথোকবা থৌরাং লৌখৎনবা খঙহনখ্রে। মীয়ামদসু নুমিৎ খরনিদি য়েন চাদনবা খঙহনখ্রে।

**মীফমঃ** ভারত অমসুং সিঙ্গাপুরগী মন্ত্রিশিংগী অনিশুবা মীফম ঙসি সিঙ্গাপুরদা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না চেৎশিলহন্নবা অমসুং অতৈ লম কয়াদা তেংবাং পীনবগী মতাংদা খন্নখি।

মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্কর, শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারামন, রেলৱেজ, ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং অমদি ইলেক্ট্রোনিক্স অমসুং ইনর্ফোমেসন টেকোলোজি মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈষ্ণব অমসুং কর্ম্মস অমদি

ইন্দষ্ট্রি মন্ত্রি-পিয়ুস গোয়ল মীফম অসিদা শরুক য়াখি।

মন্ত্রিশিং অদুনা ঙসি সিঙ্গাপুরগী রাস্ত্রপতি-থরমন সানমুগারতনম অমসুং প্রধান মন্ত্রি-লোরেন্স ৱোংগা উন্নখি।

ভারত অমসুং সিঙ্গাপুরগী মন্ত্রিশিংগী অহানবা মীফম ২০২২ গী সেপ্তেম্বর থাদা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবনি। সিঙ্গাপুর অসি ভারতকী ওইনা তরুকশুবা খ্বাইদগী চাউবা লল্লোন ইতিক্কী মপাং অমনি।

**সিবিআইঃ** কোলকাতাগী আর.জি. কর মেদিকেল কলেজ এন্দ হোস্পিতালদা শেল লান্না শিজিন্নে হায়বগী ৱাথোক্তা থিজিনবা ওইনা ঙসি অনিরকশুবা ওইনা সি.বি.আইনা মফম কয়াদা থিবা হুন্বগী থবক চথখ্রে।

থিজিন খোপচিনবগী এজেন্সি অসিনা কলেজ অদুগী হান্নগী প্রিন্সিপাল-সনদিপ ঘোস, কলেজ অদুগী ফোরেন্সিক মেদিসিন অমসুং টোক্সিকোলোজি বিভাগকী দেমোন্সত্রেটর ডা: দেবাসিষ্ট সোম অমদি অতৈ মীওই কয়া মচিল হংবগী থবক চথরি। ঙরাংসু সি.বি.আইনা ৱাথোক অদুগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা মফম ১৫ দা থিবা হুন্বগী থবক চথখিবনি।

মরক অসিদা, কলেজ অদুগী ত্রেন্নি ডাক্তর অমা ইজৎ মাঙহনবীরবা তুংদা হাৎখিবগী ৱাথোক্কা মরী লৈননা জ়নিয়ার ডাক্তরশিংনা মখা তানা ষ্ট্রাইক চংশিনখিবদগী নোংচুপ বঙ্গলাদা রাজ্য সরকারনা চল্লাইবা হোস্পিতালশিংগী অনা লায়েংদা চাউনা পনবা থোকখ্রে। রাজ্য অদুগী জ়নিয়ার ডাক্তরশিংগী ফ্রন্টনা কেস অদু নিংথিনা থিগৎতুনা চেন্নবা মীওইশিংদা খুদম চাংদম ওইগদবা দন্দি পীনবা দাবী তৌরি।

**আরবিআইঃ** রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী গভনর-শক্তিকান্তা দাসনা হায়রি-অনৌবা থৌওং অহুম-জেম, য়ু.পি.আই অমসুং য়ু.এল.আই. অসি ভারতকী দিজিটেল পেমেন্টকী ইহৌদা মাংজিল থানবগী অচৌবা খোঙথাং অমা ওইরি।

মহাকা হায়-আর.বি.আইগী য়ুনিফাইদ লেন্দিং ইন্টরফেস (য়ু.এল.আই) টেকোলোজি প্লেটফোর্মনা লৈবাক অসিগী ক্রেদিটকী লমদা অপনবা লৈহন্দে। দি.আই.পি. অমসুং অনৌবা টেকোলোজিশিংগী মতাংদা বেঙ্গলুরুদা পাঙথোকখিবা মালেমগী মীফমদা মহাকা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি।

**ত্রিপুরা ঃ** ত্রিপুরাদা ঈচাউনা শোকহল্লবা মফমশিংদা তেলিকোম সার্ভিসশিং অমুক হন্না মথৌ তৌহন্নবা দিপার্টমেন্ট ওফ তেলিকম্যুনিকেসন (দি.ও.টি)না হোৎনরি। বি.এস.এন.এল, রিলাইন্স, জিও, এয়ারটেল অমসুং ভোদাফোন য়াওনা টেলিকোম সার্ভিস প্রোভাইদর (টি.এস.পি)শিংনা তেলিকোম নেটৱার্কশিং অমুক হন্না ফংহন্নবগী থবক চাদা ৯৪ লোইশিল্লক্লে। কম্যুনিকেসন্স মন্ত্রালয়না থোকপা চেরোল অমনা হায়- খোঙথাং অসিনা রেস্ক্যু টিমশিং, সরকারগী ওফিসিয়েলশিং অমসুং মীয়াম পাউ ফাওদোক ফাওজিন তৌবদা চাউনা মতেং পাংলগনি।

রাজ্য অসিদা ঈচাউ থোকপদগী মীয়ামদা চাউনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক দুনা লাকপনি। মন্ত্রালয়না হায়- দি.ও.টি অমসুং টি.এস.পিনা অৱাবা তারবা মীয়ামদা মতেং পাংদুনা তেলিকোমগী সার্ভিসশিং মখা তানা ফংহন্নবা হোৎনরি।

মরক অসিদা, ঈচাও নংলবা মফমশিংদা এন.দি.আর.এফনা মী কনবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। ঈচাউ অসি হৌরকপা নুমিৎ মঙানি শুরবা ফাওবা এন.দি.আর.এফকী বত্তাল্লিয়ন ১১ না সাউথ ত্রিপুরা অমসুং সিপাহিজালা জিলাদা মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক চত্থরি। জিলা অনি অসি খ্বাইদগী ফিভম লুনা শোকপা মফমশিংনি।

**বঙ্গলাদেসঃ** বঙ্গলাদেসকী ধাকাদা লৈবা সেন্ট্রেল সেক্রেটরিয়েট মনাক্তা ঙরাং নুমিদাং খোঙজং চংশিল্লিবা অন্সার পার্সোনেলশিংগা মহৈরোইশিংগা খুৎ থোক রকপগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা মীওই ৩০ শোক্লে।

খুৎ থোকবগী থৌদোক অদু ঙরাং নুমিদাং পুং ৯ অদুব্রাইদা থোকখিবনি। পাউ অদু হেক ফংবগা ধাকা য়ুনিভরসিতিগী মহৈরোই কয়ানা সেক্রেটরিয়েট তমা থোমজিল্লকখি অমদি ফাজিনদুনা থল্লিবা কোওর্দিনেটরশিংবু থাদোকবা দাবী তৌখি। ঙরাং নুমিৎয়ুংবা মতুংদসু পেরা মিলিটরিগী ঔজিলারি ফোর্স বঙ্গলাদেস অন্সারগী পার্সোনেলশিংনা সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতা মী চৎথোক চৎশিন তৌবা থিংজিনখি।